

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, AUGUST 24, 2018 **PAGE 7**





*ইন্দিয়ান সুপর লিগকী ক্লব অমা ওইরিবা দেল্লি দাইনামোস এফ সি দা চৎলিবা সিজন অসিগীদমক নৌনা সাইন তৌখ্রবা স্পেনগী দিফেন্দর মার্টি ক্রেস্পি পাসকু*

*টি- ২০ ক্রিকেট ফোর্মেটতগী পোথাখ্রবা কুমজা ২০০৭ আই সি সি ব্যুমেন্স ক্রিকেটর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী বোল্লর ঝুলন গোস্বামী*

# মশাগী চহী ১৫ খক্তা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর শারদুল বিহান দবল ত্রেপতা সিলভর মেদল ফংখ্রে টেন্নিসতা অনকিতা রাইনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে লোয়ননা বেদমিন্টনদা সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল মায় পাক্লি

18th ASIAN GAMES Jakarta Palembang 2018

*পালেমবাং। জার্কটা, ওগষ্ট ২৩ঃ*

ইন্দোনিসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেম্‌সতা ইন্দিয়াগী সুট্টর শারদুল বিহাননা দবল ত্রেপ ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংখ্রে, টেন্নিসতা অনকিতা রাইনানা নুপীগী সিঙ্গলসতা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। বেদমিন্টনদা পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল মায় পাক্লি।

সুটিংঃ–

মশাগী চহী ১৫ খক্তঃ। ঙাইরিবা ইন্দিয়ান সুট্টর শারদুল বিহাননা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী দবল ত্রেপ ইভেন্টকি ফাইনেলদা সোট ৭৩ কাপতুনা সিলভর মেদল ফংখ্রে।

ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেদল না কোরিয়াগী সুট্টর সিন হিয়ুংৱুনা সোট ৭৪ কাপতুনা লৌবা ঙমখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদলনা কাটারগী সুট্টর অল মারি হামাদ অলিনা পোইন্ট ৫৩ ফংদুনা লৌখি।

পনবা য়াই মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা সোটগন নেম্নেল চেম্পিয়ানসিপতা সাদুল বিহাননা গোল মেদল মরি লৌবা ঙমখিবনি।

কবদ্দিঃ–

ইন্দিয়াগী নুপী কবদ্দি টিমনা চাইনিজ টাইপৈবু পোইন্ট ২৭–১৪দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চংখ্রে।


*নুপাগী দবলস ত্রেপ ইভেন্টতা সিলভর মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা সুট্টর শারদুল বিহান*

অমরোমদা তরেৎলক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়া কবদ্দি নুপাগী টিম সেমি ফাইনেল মেটচতা ইরানগী মখুৎতা ১৮–২৭তা মায়থিহৌরে। ইন্দিয়া টিমনা ব্রোঞ্জ মিদল ফংবগী আশা অসি পাকিস্থান টিমগা শান্নগদৌরিবা মেটচতা লেপ্লগনি। ফাইনেল মেটচতা ইরান অমসুং কোরিয়া থেংনরগনি।

স্কৱাস ঃ–

এসিয়ান গেমস অসিগী স্কৱাস দিসিপ্লিনগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকি প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী দিপিকা পালিকলনা ইন্দোনেসিয়াগী য়েনি রোমাবু ষ্ট্রেট গেম অহুমদা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সৌরব ঘোসালসু মহাক্কি লম্বা পাকিস্থানগী অসলাম তয়াবপু গেম ৩–১দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। অদুগা ইন্দিয়াগী সিঙ্গলস শান্নরোই হরিন্দর পাল সিংহ সন্ধুনা ফিলিপিন্সকী রোবার্ট গারসিয়াবু ৩–১দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। ইন্দিয়াগী জোসনা চিনাপ্পাসু ফিলিপিন্সকি শান্নরোই জেমিকা আরিবাদো ৩–০দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চংখি।

টেনিস ঃ–

ইন্দিয়াগী টেন্নিস শান্নরোই প্রজনেস গুনেস্বারননা কোরিয়াগী ক্বাওন সুনৱুবু ক্বার্টর ফাইনেলদা সেট ২–১দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলসকি ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনা চাইনাগী স্বাই ঝাংগী মখুৎতা ৪–৬, ৬–৭দা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি।

মিক্স দবলসকি ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং অনকিতা রাইনাগী পেয়র ইন্দোনিসিয়াগী পেয়রগী মখুৎতা ৪–৬, ৬–১, ৬–১০দা মায়থিহৌখি।

বোল্লিবোল ঃ–

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী পুল বিগী বোল্লিবোল মেটচ অমদা ইন্দিয়া টিম কাজাকস্থানগী মখুৎতা ৮–২৫, ১৯–২৫,২৩–২৫তা মায়থিহৌখি। পুল অসিদা ইন্দিয়া মমৈদা লৈরি।

বাস্কেটবোল ঃ–

বাস্কেটবোলগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপী টিম গেমস অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ইন্দোনেসিয়াগী মখুৎতা পোইন্ট ৬৬–৬৯দা মায়থিহৌদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

বেদমিন্টন ঃ–

বেদমিন্টন মশানা অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকি রাউন্দ ওফ ৩২গী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবী শান্নরোই পি ভি সিন্ধুনা ভিয়েটনামগী থি ত্রাং ভুবু য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুংদা ২১–১০, ১২–২১, ২৩–২১দা থোইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকি ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ইরানগী সোরায়া অঘাজিয়াঘাবু ২১–৭,২১–৯দা থোইদুনা অনিশুবা রাউন্দ চংখি।

কম্মনৱেল্‌থ গেমসকি সিলভর মেদলিষ্ট ইন্দিয়াগী চিরাগ সেথি অমসুং সাটৱিকসাইরাস রানকি রেদ্দিনা হোংকোংগী য়োনিচুং অমসুং চুং হৈ টামবু নুপাগী দবলসকি ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ২১–১২, ২১–১৪দা থোইখি।

নুপীগী দবলসকি ঙসি শান্নখিবা মেটস অমদা ইন্দিয়াগী রুতাপরনা অমসুং আরাথি সুনিলবু থাইলেন্দগী পেয়র চায়ন্টি চালা চালাম অমসুং ফাটাইমাস মিউ ৱোংনা ২১–১১, ২১–৬তা মায়থিবা পীরমখি।

স্বিম্মিং ঃ–

ইন্দিয়াগী স্বিম্মর ভিরধৱাল খাদে অমসুং শ্রীহরি নটরাজ নুপাগী মিটর ৫০গী বট্টরফ্লাই অমসুং মিটর ২০০গী বেকষ্ট্রোক ইভেন্টকি ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

খাদেনা মিট ৫০গী বট্টরফ্লাই ইভেন্ট অদুদা ২৪.০৯ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাইদ ওইখি। নুপাগী মিটর ২০০গী বেকষ্ট্রোক ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নতরাজনা ২ঃ০২.৯৭দা পন্থুংফম য়ৌদুনা ফাইনেল রাউন্দ চংখি।


*নুপীগী সিঙ্গলসকী টেন্নিসতা ব্রোঞ্জ ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনা*

**Asian Games 2018: Medals Tally**

| Rank | Nation | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 55 | 40 | 21 | 116 |
| 2 | Japan | 25 | 28 | 33 | 86 |
| 3 | Rep. of Korea | 16 | 20 | 27 | 63 |
| 4 | Iran | 10 | 9 | 8 | 27 |
| 5 | Indonesia | 8 | 6 | 10 | 24 |
| 6 | Thailand | 6 | 4 | 16 | 26 |
| 7 | DPR Korea | 6 | 2 | 5 | 13 |
| 8 | Chinese Taipei | 5 | 6 | 11 | 22 |
| 9 | Uzbekistan | 4 | 8 | 7 | 19 |
| 10 | India | 4 | 4 | 10 | 18 |
| 11 | Mongolia | 3 | 2 | 4 | 9 |
| 12 | Kazakhstan | 2 | 6 | 18 | 26 |
| 13 | Singapore | 2 | 1 | 6 | 9 |
| 14 | Vietnam | 1 | 4 | 7 | 12 |
| 15 | Hong Kong | 1 | 3 | 8 | 12 |
| 16 | Malaysia | 1 | 3 | 1 | 5 |
| 17 | Lebanon | 1 | 1 | 2 | 4 |
| 18 | Macau | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 19 | Philippines | 1 | 0 | 5 | 6 |
| 20 | Jordan | 1 | 0 | 3 | 4 |
| 21 | Kyrgyzstan | 0 | 4 | 5 | 9 |
| 22 | Turkmenistan | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 23 | Myanmar | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 24 | Afghanistan | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 24 | Pakistan | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 24 | Qatar | 0 | 0 | 1 | 1 |

## ইন্দিয়ানা কেমেরুন ২–১দা থোইখ্রে

*ইষ্টাম্বুল, ওগষ্ট ২২ঃ*

ইষ্টাম্বুলদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা ইন্দিয়া অন্দর–১৬ ফুটবোল টিমনা কেমেরুন অন্দর–১৬বু ২–১দা থোইখ্রে।

ইন্দিয়ান টিমগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু রিদজ মেলভিন অমসুং রোহিট দানুনা মথংশিংনা শান্নবগী অহানবা অমসুং ২০শুবা মিনিটতা চনশিন্দুনা অহানবা হাফ লাকশিন্দুনা শান্নখি।

মেটচ অদুগী অহানবা মিনিটতা রিদজনা অফ্রিকান লৈবাক কেমরুনগী মায়কৈদা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু ইনিদয়া টিমগী শান্নারোই বিক্রমনা ওইথংবা মায়কৈদগী পীরকপা ক্রোস অমদা ওইবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মতুং মিনিট ৪ লৈরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোই বিক্রমনা ফংখিবা বোল অমা গোল তম্না কাওশিনবদা কেমেরুনগী গোল কিপ্পরনা ফাবা ঙমখি।

কেমেরুনগী অমতা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৬৩শুবা মিনিটতা হন্দোকখি।


## ইন্দিয়াগী কেপটেন ভিরাট কোহলিনা টেষ্ট বেটচমেন রেঙ্কিংগী অমুক হন্না ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইখ্রে

*দুবাই, ওগষ্ট ২৩ঃ*

ইন্টরনেস্নেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকপা টেষ্ট বেটচমেনশিংগী মকোক মথং তাবগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপটেন ভিরাট কোহলিনা অমুক হন্না ৱার্ল্ড নম্বর ওইবা ঙমখ্রে।

নিংশিংবা য়াই ঙরাং লোইশিনখিবা ইংলেন্দ অমসুং ইন্দিয়ানা নোট্টিংহামদা শান্নখিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়াগী কেপটেন ভিরাট কোহলিনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মথংশিংনা রন ৯৭ অমসুং ১০৩ লৌদুনা মেটচ অদু রন ২০৩দা মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী কেপটেন ভিরাট কোহলিনা পোইন্ট ৯৩৭ ফংদুনা নৌনা নম্বর ১ পোজিসন লৌখিবনি। বোল টেম্পরিং কেসতা চেন্নদুনা সস্পেন্দ তৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপটেন ওইরম্বা ষ্টিভন স্মিথনা অনিশুবা পোজিসনদা লৈরি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটচমেন চিটেশ্বর পুজারানা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা তরুকশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।



ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন অজিনকিয়া রাহানি অমসুং সিখর ধৱন থাক মরি মরি হায়গৎলগা ১৯ শুবা অমসুং ২২শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

আই সি সিনা নৌনা থাদোরকপা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিগী বোল্লরগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী হারদিক পান্দিয়ানা ইংলেন্দগা শান্নখিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অদুগী অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট মঙা লৌবা ঙমখিবদগী পোজিসন ২৩ হায়গৎলগা ৫১শুবদা লৈরি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোল্লর জসপ্রিট বুমরাসু অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অদুগী অনিশুবা ইন্নিংসতা ৱিকেট মঙা লৌবা ঙমখিবদগী থাক ৮ হায়গৎলগা ৩৭শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী লিয়ন্দর পেস অমসুং য়ু এস এগী জে সেরেতানি ৱিন্সটন–সালেম ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকি নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল চংখ্রে

*ৱিন্সটন, ওগষ্ট ২৩ঃ*

য়ু এস এগী ষ্টেট নোর্থ কেরোলিনাগী সিটি ৱিন্সটনদা চত্থরিবা ৱিন্সটন–সালেন ওপন এ টি পি টুর্নানমেন্টতা ইন্দিয়াগী লিয়ন্দর পেস অমসুং য়ু এস এগী জে সেরেতানি দবলসকি সেমি ফাইনেল চংখ্রে।



নুপাগী দবলসকি ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং য়ু এস কি সেরেতানিনা আর্জেন্টিনাগী গোনজালেজ অমসুং স্পেনগী মার্ক লোপেসবু ৬–১, ১–৬, ১০–৮ তা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেলদা ব্রাজিলগী দেমোনিনর অমসুং মেক্সিকোগী এস গোনজালেসবু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্বা পাকিস্থানগী ক্যুরেসি অমসুং ওষ্টেয়লিয়াগী এ সিতাককা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অনিশুবা সিদেদ স্পেনগী কারেনো বুসটা অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ঐচ চুং লম্বা তৌনরগনি।

স্পেনগী বুসটানা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী পি গোজোজিকপু ৬–২, ৭–৬ (৭–৫) তা থোইরম্বনি। অদুগা সাউথ কোরিয়াগী ঐচ চুংনা ইটালিগী এম বেরিটিনিবু ৬–৩, ৩–৬, ৬–৩দা থোইরমখি।

নিপানশুবা সিদেদ য়ু এস এগী এস জোনসননা স্পেনগী জে মুনারবু ৬–৪, ৬–৪দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী অতোপ্পা শান্নরোই কারবেলিস বোনাবু ৭–৫,৭–৫তা থোইরম্বা বৃটেনগী কাইল এদমুন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা নিউ হেভনদা চত্থরিবা কন্নেক্টিকট ওপনদা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবী জেক রিপব্লিককী পেত্রাকিটোভানা কাজাকস্থানগী জেট দিয়াসবু ৬–১, ৫–৭, ৬–২দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা বৃটেনগী জোহানা কোনটা লাকখিদবদগী ৱাল্ক ওভর ফংখিবী স্পেনগী স্বারেস নাভারোগা শান্নরগনি।

রুসিয়াগী শান্নরোই একাটেরিনা মাকারোভানা ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্লোভাকিয়াগী এম রাইবারিকোভাবু ২–৬, ৬–৩, ৬–৩দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল দা মঙাশুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী জুলিয়া জোরজেসকা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকি সেমি ফাইনেল মেটস অমদা অহানবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিককী লাভাকোভা অমসুং ষ্ট্রাইকোভানা ক্রোএসিয়াগী দিজুরাক অমসুং রোমানিয়াগী আর ওলারুবু ৬–৩, ৬–৩দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কোনেকটিকট টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জেক রিপব্লিককী পেয়র কেরোলিনা প্লিজকোভা অমসুং কৃষ্টিনা প্লিজকোভানা য়ুক্রেনগী এন কিওহেনকোক অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী রোদিওনোভাবু অকনবা লম্বা অমদা ৬–৪, ৫–৭, ১০–৫ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 318/SDC/B/IE of 2018

Thokchom Tolpishak Singh S/o (L) Konungjao Singh of Bashikhong Torban

Petitioner

-Vs-

Thokchom (O) Thangong Devi W/o (L) Angangjao Singh of Bashikhong

Pattadar

**N O T I C E**

Bashikhong, the 23rd August, 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫৫–লৌমানবী পট্টা নং ৮৫ অনৌবা দাগ নং ১৭৮ মোট এরিয়া ০.৫৯ একর চাওবা লৌফম অসিগী পট্টাদার থোকচোম (ও) থাঙগোং দেবী পতি মৃঃ অঙাংজাও সিংহ সাং বাশিখোংদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম শরুক অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/Bill(R)C/24



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 319/SDC/B/IE of 2018

Naosekpam Ranjit Singh S/o (L) Shamu Singh of Kyamgei Khoirom Leikai

Petitioner

-Vs-

Naosekpam Shamu Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Kyamgei

Pattadar

**N O T I C E**

Bashikhong, the 23rd August, 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৬৮–কিয়ামগৈ পট্টা নং ৪০৩ অনৌবা দাগ নং ১২২, ১২৪ মোট এরিয়া .০০৭+০.৪৫ একর চাওবা ইংখোল / লৌফম অসিগী পট্টাদার নাওশেকপম শামু সিংহ পীং মৃঃ ইবোতোম্বী সিংহ সাং কীয়ামগৈদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল / লৌফম শরুক অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/Bill(R)D/24



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 316/SDC/B/IE of 2018

(i) Thokchom Ongbi Shanti Devi W/o (L) Achouba Singh of Bashikhong Torban
(ii) -do- Bidya Sagar Singh D/o (L) -do-of-do-

Petitioners

-Vs-

Thokchom Konungjao Singh S/o (L) Angangjao Singh of Bashikhong Torban

Pattadar

**N O T I C E**

Bashikhong, the 23rd August, 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫৩–ৱাংখৈ লৌমানবী পট্টা নং ১১৮। ৪৯৫ অনৌবা দাগ নং ৪৬৭ । ৬৪২ মোট এরিয়া ০.৯২ একর চাওবা লৌফম অসিগী পট্টাদার থোকচোম কোনুংজাও সিংহ পীং মৃঃ অঙাংজাও সিংহ সাং বাশিখোং তোরবানদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল শরুক অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/Bill(R)A/24



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 317/SDC/B/IE of 2018

(i) Thokchom Tolpishak Singh S/o (L) Konungjao Singh of Bashikhong Torban
(ii) -do- (o) Shanti Devi W/o (L) Achouba Singh of -do-
(iii) Thokchom Bidyasagar Singh S/o (L) Achouba Singh of -do-

Petitioners

-Vs-

Thokchom Konungjao Singh S/o (L) Angangjao Singh of Bashikhong

Pattadar

**N O T I C E**

Bashikhong, the 23rd August, 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫৬–বাশিখোং পট্টা নং ৯৫ অনৌবা দাগ নং ৫২ & ৫৫ মোট এরিয়া ০.৫৪+০.৭০ একর চাওবা ইংখোল / লৌফম অসিগী পট্টাদার থোকচোম কোনুংজাও সিংহ পীং মৃঃ অঙাংজাও সিংহ সাং বাশিখোং তোরবানদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল / লৌফম শরুক অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/Bill(R)B/24